# ঐহাক্লা হোক্কি শান্নবা পাল্লকখ্রিবসিদি সিয়ো ক্লবনা তৌখিবা নুমিৎ ১৫নিগী কোচিং কেম্প অমা শরুক য়াজরুবদগীনি



(ঙরাংগী মখা)

হৌজিক হৌজিক মতম খরগী ওইনা ময়ুমদা থোরক্তুনা লৈরিবী জুনিয়র হোক্কি শান্নরোয় সুমন থৌদাম্না মহাক্কী ওইবা পাউদম পীরদুনা ৱাফম কয়ামরুম অসুম্না ফোঙদোরকখি, ঐহাক্লা ইন্দিয়াগী জুনিয়র নুপী হোক্কি টিমগী কেপ্টেন ওইনা টিম লিদ তৌদুনা চৎচরকপসি হন্দক্কীসিগা অহুল্লক্তী শুরে। পুন্সিদা ইন্দিয়ন হোক্কি টিমগী কেপ্টেন ওইবা ফংলক্কনি হায়বসি অহানবদদি থোইনা খল্লুবা লৈতে। হোক্কি হায়বসিদি টিম ৱার্ক নিনা মদোমদসু ৱাখল কয়া থাদরুদে। অদুবু ঐনা ইহান হান্না কেপ্টেন ওইজরকপসিদি, আইরলেন্দগী দ্যুব্লিনদা মে ৩১দগী জুন ৪ ফাওবা পাঙথোকখিবা ‘ফোর নেসন্স (অন্দর-২১) টুর্নামেন্টতনি। মদুগী খোঙচৎতুদা সনাগী মেদলসু লৌবা ঙমজরকখি। ইথা থাজদনা কেপ্টেন ওইদুনা চৎচবা মতমদা সনাগী মেদল লৌরগা হল্লকখিবা অদুমদি য়াম্না নুংঙাইজখি।

মদুগী মথংদা বেলারসতা জুন ৬তগী ১০ ফাওবা তৌখিবা ইন্দিয়া বেলারস টেষ্ট সিরিজ দসু ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ওইজরকখি। মদুগা লোয়ননা হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়াদা দিসেম্বর ৩দগী ৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা থ্রি নেসনল হোক্কি টুর্নামেন্ট অদুদসু ঐহাক্লা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ওইনা চৎচখি। লোয়ননা গোল্ড মেদলসু লৌরকখি।

জুনিয়র হোক্কি শান্নরোয় অমা ওইনা মমিং লৈরক্লিবি প্লেয়র অসি শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা থৌদাম অনন্দ অমদি থৌদাম ওংবী নাওবীগী মচানুপীনি। সুমন থৌদামনা হোক্কিদা খোঙদারকখিবা অসি কুমজা ২০০৯গী নবেম্বর থাদা সিয়ো ক্লবনা ওর্গনাইজ তৌদুনা নুমিৎ ১৫নি চুপ্না চথখিবা টেলেন্ট হন্ট কোচিং কেম্পতগীনি। সিয়ো ক্লব (শিংজমৈ) থোইদোক্না হোক্কিদা মমিং লৈবা ক্লব অমনি। মণিপুরগী অফাওবা প্লেয়র কয়া পুথোকখ্রবা ষ্টেটসিগী ওইনা শান্ন-খোৎনবদা শিংথানরিবা ক্লবনি।

নুমিৎ ১৫নি চথখিবা কোচিং কেম্পতুনা সুমন্দা হোক্কি ফজনা শান্ননিংবগী অকনবা ইথিল অমসু পীবা ঙমখি। কুমজা ২০০৯গী নবেম্বর থা অসি মহাক্কীদি শান্নবদা খ্বাইদগী নুংঙাইজবা মতম অমসু ওইখি। মদুনা মরম ওইরগা নুমিৎ ১৫নিগী কোচিং অদু লোইখ্রবসু মহাক্তী মখা তানা অয়ুক অমসুং নুমিদাং চাং নাইনা ট্রেনিং তৌরকখি। তৌবসু সিয়ো ক্লবকী ওর্গনাইজ তৌরিবা হোক্কি কোচশিংনা হেন্না থৱায় য়াওবা অঙাংশিংগীদমক্তদি হোক্কি ষ্টিক অমমম পীগনি হায়না লাউথোরকখি। শান্নবা খরা খরা হৈরকপগা লোয়ননা সুমনসু মশাগী ওইবা হোক্কিষ্টিক পায়দুনা শান্ননিংবগী ৱাখল মতমদুদা ফাওরকখি। কুমজা ২০০৯গী নবেম্বর থাদগী সুকলেপ লেপ্তুনা অয়ুক অমদি নুংথিল নুমিৎ খুদিংগী কোচিং থৱায় য়াওনা লাকপদু উবদা, হায়রিবা চহীদুগী দিসেম্বর

> **রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
>
> **হোক্কিদা মীৎয়েং অমা**

থাখায় চল্লকপা মতমদা সিয়ো ক্লবনা মহাক্কীদমক হোক্কি অমা পীবিরকখি। হোক্কিষ্টিক অমা ফংখিবদুনা মঙোন্দা হেন্না পুক্নিং চংনা শান্নরক্লবগী অচৌবা লম্বেল অমা য়াৎপীবগুম থোকখি।

মতাংসিদা জুনিয়র হোক্কি শান্নরোয় সুমন থৌদামনা অসুম্না হায়রকখি, ঐগী পুক্নিংদা হোক্কি শান্নহন্নিংবগী অকনবা ইথিল অমা পীবিরকখিবা অসিদি ঐগী বাবাচৌ থৌদাম চাউবননি। সিয়ো ক্লবতা হোক্কিগী কোচিং অমা তৌগনি হায়বসিসু ববাচৌনা পাউ পুরকখিবনি। তশেংনা হায়জরবদা, ঐখোয় লৈকায়দি হোক্কিগী লৈকাইসু ওইবনিনা ঐনা শান্নজরকপা মতমসিদা ইমুং-মনুংনসু লৈকাইনসু ফুল সপোর্ট তৌবিরকখি। অহানবদি ঐহাকসি হোক্কি কয়া পান্বদি ওইরকখিদে। ঐগী ইমান্নবীশিং রোজিতা, মেলোরিকা, সোনিয়া মখোয়গা অপীকপা অঙাং খরগা, সিয়ো ক্লবনা শীনবা কোচিংদুদা য়াওরম্বা উবদগী ঐসু শান্ননিংবা পোল্লক্তুনা য়াওজরকখিবনি। য়াম্না কন্না পাম্বা হায়বদুদি মতমদুদা ওইখিদে। অদুমকপু কোচিংদু নুমিৎ মরি-মঙানি হায়রকপা অদুৱাইদগীদি য়াম্না নুংঙাইজরকখি। মদুদগীদি ঐহাকসি হোক্কি পাম্বা হায়বদু ওইরকখ্রে। ঐঙোন্দা অহানবা হোক্কি ফজনা তম্বীরকখিবা ওজ াশিংদি লৈখিদ্রবা ওজা দল্লীয়ু হেরোজিৎ, ওজা নিংথৌজম্ চান্দি, ওজা ক্ষেত্রিময়ুম রোমেস ... অসিনচিংবনি। ওজাশিং অসিনা ঐখোয়বু য়াম্না নুংশিনা তাকপী তম্বীরকখি। মদুনসু অয়াম্বা হোক্কিসি ঐহাক য়াম্না পাল্লকখিবনি। ... মথং মথং ...



হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৮

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৮

১) বর্লিনগী চেকপল থুগাইখ্রবা মতুংদা নোংপোক অমসুং নোংচুপ জর্মনি পুনশিনখি। মদুদা নোংপোক জর্মনিগী মহুৎ শীন্দুনা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইরম্বা শান্নরোয় অমদি চহী অমদা ষ্টেরিয়দ (Steriod) গ্রাম ৩,৯৫৫ চাখি হায়না খঙলকখি, মহাক কনানো?

২) ঐহাক অনীশুবা মেগা মরাথন্দা নুপাগী চহী ৫০গী গ্রুপ্তা অনীশুবা তাখি। ঐগী ইমিং হায়য়ু।

৩) ৱিন্টর ওলিম্পিক্কী স্লালোম (SLALOM)গী থৌরমদা এথলেট অমদি পোজিসন অহুমগী মনুং চনবা ঙমখিদবদগী নিংবা কায়খি। মরম অদুনা লমথুংফম য়ৌগদবা মিটর অমরোমতা ঙাইরবা মফমদগী ফমথরগা লমথুংফম লোমদা মনিং ওনশিল্লগা লমথুংফম অদু লান্থোকখি। মহাক কনানো?

৪) মণিপুরদা লৈরিবা ক্লব, স্কুল, কোলেজতা ষ্টেটকী ওইবা শান্নবগী লুপনচিংবা অসিগী মনুংদা হৌখিবা চহী নিফু (৪০) অসিদা চহীগী ওইনা ক্রোস কন্ত্রি লমজেল (Cross Country Race) পাঙথোক্তুনা মনা মথুম অমদি সার্টিফিকেটনচিংবা য়েন্থোকপা অমগী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মণিপুরগী টিদ্দিম রোদ এথলেটিক্স য়ুনিয়ন মোহন বগান এফ সিগী মখুৎতা পাঞ্জল ০-৪দা মায়থীখ্রে

Hero I-LEAGUE

Match on 14 Dec. (Friday)

TRAU Vs EAST BENGAL

কল্যানি, দিসেম্বর ১১(এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা চহী ৬কী মমাঙদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরম্লবা মতুং ইন্দিয়ন সুপর লীগ লাকখিবদগী অনীশুবা থাক্তা হন্থখ্রবা হিরো আই লীগকী সিজন ২০১৯-২০গী ঙসি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কল্যানি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা ক্বালিফাই ওইদুনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী ক্লব টিদ্দিম রোদ এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (ট্রাও) এফ সি মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব মোহন বগানগী মখুৎতা পাঞ্জল ০-৪দা মায়থীখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ট্রাও এফ সিনা থা অসিগী অহৌবদা চেন্নাই সিটি এফ সিগা শান্নখিবা মেচ অমদা অকনবা লম্বা উৎতুনা পাঞ্জল ০-১দা মায়থীবা নংখি। মদুগী মখা তারকপা টিম অসিনা ঙসি কল্যানি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুদা অহেনবা পর্ফোমেন্স উৎলকপা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থম্নখিবনি। অদুবু মোহন বগানগী শান্নরোয়শিং অদুনা মখোয়গী এক্সপিরিয়েন্স অদু শীজিন্নবা ঙমখিবদগী ট্রাওগী টিম কান্নবা অমত্তা ফংখিদে।

মেচকী ৫ শুবা মিনটতা মোহন বগানগী ফ্রান গোঞ্জালেসনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মদুগী মতুং ৩৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় এস বাদাকিপিদিকানা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ২-০দা মাংজিল থাখি।

ট্রাওগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরিঙৈ মোহন বগানগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা গোঞ্জালেসনা অনীশুবা হাফ হৌরকপগী অহৌবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ৩-০দা মাংজিল থাখি। মখা তারকপা মেচ অদুগী পুংখাই হেল্লবা মতম লম্বা মান্নরবসু ইঞ্জুরি টাইমদা মোহন বগানগী ঘোসনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ট্রাওবু ৪-০দা থোইখি।

# ৱেষ্ট ইন্দিজ অমসুং ইন্দিয়াগী অহুমশুবা টি-২০ মেচ ইন্দিয়ানা রন ৬৭তা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

মুম্বাই, দিসেম্বর ১১(এজেন্সী):

ৱেষ্ট ইন্দিজকী ক্রিকেট টিমনা ইন্দিয়াদা লাক্তুনা টি-২০ ক্রিকেট মেচ সেরিজ শান্নবগী ঙসি লম্বা তৌনখিবা ৩শুবা মেচতা ইন্দিয়ানা য়াম্না হেনবা মওংদা রন ৬৭তা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

মুম্বাইগী ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মদা ঙসি ৱেষ্ট ইন্দিজগী কেপ্টেন কৈরোন পোলার্দনা টোস ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা শুপ্নগী ৱিকেট ৩ খক আউট ওইরগা রন ২৪০ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইনিংস অদুগী ওপনর অনী রোহিত শর্ম্মা অমসুং লোকেস রাহুলনা অহৌবা ওভর ১১দা ওভর অমদা রন ১১ হেন্না লৌবা ঙমদুনা য়াম্না ফজবা পার্টসিপ অমা শেমখি। ১২শুবা ওভরগী ৪ শুবা বোলদা শুপ্নগী বোল ৩৩দা সিক্স ৫ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরম্লগা রোহিত শর্ম্মা মশাগী রন ৭১দা আউট ওইখি। মতম অদুদা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ১৩৫ লৈখি।



রোহিত শর্ম্মাগী মহুৎ শিল্লকখিবা রিসব পন্থ রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎতা কেপ্টেন ভিরাট কোলিনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোলরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্নরিবা লোকেস রাহুলবু মতেং পাঙখি। মখোয় অনীনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ২০ ওভরগী ৩ শুবা বোল ফাওবা শান্নমিন্দুনা রন ২৩৩ য়ৌহনখি। ভিরাট কোলি রন ৭০ অমসুং লোকেস রাহুল রন ৯১ লৌখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাক্ননা রন ২৪১ লৌনবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী হৌরকপা ইনিংস ফজবা ঙমখিদে। শুপ্নগী রন ১৭ লৌরিঙৈদা টিম অদুগী বেটচমেন ৩ আউট ওইখি। ওপনর লেন্দল সিমন্স রন ৭, ব্রেন্দন কিং রন ৫ অমসুং ৪শুবা বেটচমেন নিকোলাস রন লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি।

কেপ্টেন পোলার্দ অমদি সিমরোম হেটমরনা রন ৬৮ অমসুং ৪১ লৌখ্রবসু টিম অদুগী ইনিংস ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৭৩দা লোইশিন্দুনা ইন্দিয়ানা রন ৬৭তা থোইখি।

# ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পি ভি সিন্ধু বি দব্লিয়ু এফ ৱর্ল্ড টুরসকী অহানবা রাউন্দ রোবিন্দ মেচ মায়থীবা নংখ্রে

HSBC BWF World Tour Finals Guangzhou





গ্বাংঝৌ, দিসেম্বর ১১(এজেন্সী):

চাইনাগী সিটি গ্বাংঝৌদা ঙসিদগী হৌখিবা সিজন লোইশিল্লকপগী টুর্নামেন্ট বি দব্লীয়ু এফ ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলসতা মমাঙগী চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পি ভি সিন্ধু নুপীগী গ্রুপ ‘এ’গী অহানবা রাউন্দ রোবিন মেচতা জপানগী শান্নরোয় অকানে য়ামাগুচিগী খুৎতা মায়থীখ্রে।

ঙসি পি ভি সিন্ধু অমদি জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা শান্নখিবা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী টুর ফাইলেনসকী গ্রুপ ‘এ’গী অহানবা রাউন্দ রোবিন মেচ অদুদা লম্বা মান্ননা থেংনরকখিবা মরম্না গেম অদু অতেনবা মতমদা লোইশিনখিবা য়াখিদে। সিন্ধুনা গেম অদু ২১-১৮দা থোইরগা মাংজিল থাখিবা অদু খুদোংচাবা ফংখিদে।

অনীশুবা গেমদা জপানগী শান্নরোয় অকানে য়ামাগুচিনা সিন্ধুগা লম্বা তৌরকপা অদুদা অহানবা গেম অদুগী স্কোর অদুগা চপ মান্ননা ২১-১৮দা থোইরগা গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি। অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা পি ভি সিন্ধুগী মায়কৈদগী লৈখিবা অশোনবা মফমশিং অদু জপানগী শান্নরোয় অকানে য়ামাগুচিনা মেনশিনবা ঙমখিবদগী ইকোম কোম্না গেম অদু ২১-৮দা থোইরগা মায় পাকপা ঙমখি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা চাইনাগী শান্নরোয় অনীগী লম্বাদা সেন য়ু ফৈনা হি বিংজিয়াওবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-৯, ২১-১৮দা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী গ্রুপ ‘বি’গী মেচ অমদা জপানগী নোজোমি ওকুহরানা চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংবু গেম ২-১দা মায়থীবা পীখি। গ্রুপ অদুমক্তদা থাইলেন্দগী শান্নরোয় অনীগী লম্বাদা ইন্তাননোনা বুসানোনবু গেম ২-০দা থোইখি।

নুপাগী কাংলুপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা জপানগী কেন্তো মোমোতানা গ্রুপ ‘এ’দা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় ৱাংজু ৱৈবু গেম ২-০দা থোইখি।

# ওরিষা এফ সিনা হায়দরবাদ এফ সিবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবদা হাইগৎখ্রে

Match on 13 Dec. (Thu.)

NE UNITED Vs CHENNAIYIN

পুনে, দিসেম্বর ১১(এজেন্সী):

৬শুবা এদিসন ওইনা চথরিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৮শুবা রাউন্দগী অহানবা মেচতা ওরিষা এফ সিনা হায়দরবাদ এফ সিবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা ৬শুবা পোজিসনদা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ওরিষা এফ সি ঙসিগী মেচ অসিগী মাংওইননা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী টুর্নামেন্ট অসিগী মেচ ৭ শান্নখিবদা ৩ দ্রো চৎলগা ৩ মায়থীদুনা মেচ অমখক মায় পাল্লগা পোইন্ট ৬ ফংলগা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা হায়দরবাদ এফ সি মেচ ৭ শান্নখিবদা অমা মায় পাল্লগা অমা দ্রো চৎলবা মতুং মেচ মঙা মায়থীদুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা টিম ১০না লম্বা তৌনরিবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

ঙসি মহারাষ্ট্রগী পুনে সিটিদা লৈবা শ্রি সিব ছত্রপতি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দগী মেচ অদুগী হৌরকপদা ওরিষা এফ সিগী মায়কৈদগী শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় কার্লোস দিলগাদোরনা অহানবা পাঞ্জল চনখি।

হায়দরবাদ এফ সিগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংদ্রিঙৈ ওরিষাগী মায়কৈদগী জিসকো হরনানদেজনা ৪১ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ওরিষানা হায়দরবাদপু ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ২০ চঙশিল্লকপদা হায়দরবাদ এফ সিগী মায়কৈদগী ব্রাজিল মচা দি আর সিলভানা পেনাল্টি অমা ফংখিবদগী পাঞ্জল চন্দুনা টিম অদুগী পাঙ্গল হেনগৎলকখি।

অদুবু পাঞ্জল অমা হেন্দুনা লৈরিবা ওরিষাগী মায়কৈদগী এম পেরিজনা শান্নবগী ৭১ শুবা মিনতনা টিম অদুগী এটেক অমদা পেনাল্টি ফংদুনা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা ৩-১দা মাংজিল থাখি। মেচ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুবদা হায়দরবাদ এফ সিগী মায়কৈদগী মখোয়গী মথক্তা ওরিষা এফ সিনা চনশিল্লকখিবা অহেনবা পাঞ্জল ২ হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখিবা অদু মিনট ১৫ রোম কান্নবা ফংখিদ্রবা মতুং মেচ লোইগদবা মিনট ১ খক্তা ঙাইরবা মতমদা টিম অদুগী আর কুমারনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেচ অদু মখোয়বু ওরিষানা ৩-০দা থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | ATK | 7 | 4 | 2 | 1 | 15 | 5 | +10 | 14 |
| 2 | Bengaluru | 7 | 3 | 4 | 0 | 7 | 2 | +5 | 13 |
| 3 | Goa | 7 | 3 | 3 | 1 | 13 | 8 | +5 | 12 |
| 4 | Jamshedpur | 7 | 3 | 3 | 1 | 9 | 7 | +2 | 12 |
| 5 | NorthEast United | 7 | 2 | 4 | 1 | 8 | 9 | −1 | 10 |
| 6 | Odisha | 8 | 2 | 3 | 3 | 11 | 11 | 0 | 9 |
| 7 | Mumbai City | 7 | 1 | 4 | 2 | 10 | 13 | −3 | 7 |
| 8 | Kerala Blasters | 7 | 1 | 3 | 3 | 6 | 8 | −2 | 6 |
| 9 | Chennaiyin | 7 | 1 | 3 | 3 | 5 | 11 | −6 | 6 |
| 10 | Hyderabad | 8 | 1 | 1 | 6 | 7 | 17 | −10 | 4 |

# ইংলেন্দগী লিবরপুলনা ওষ্ট্রিয়াগী রেদ বুল সালবর্গপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী প্রিক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

UEFA CHAMPIONS LEAGUE



ৱালস সৈজেনহেম, দিসেম্বর ১১(এজেন্সী): কুমজা ২০১৯-২০গী য়ুরোপকী লৈবাকশিংগী ওইবা ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ ‘ঈ’গী মেচ অমদা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব লিবরপুলনা ওষ্ট্রিয়াগী রেদ বুল সালবর্গ ফুটবোল টিমবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

লিবরপুল ফুটবোল ক্লবনা ঙরাংগী মেচ অদুগী মাংওইননা মেচ ৫ শান্নখিবা ৩ মায় পাল্লগা মেচ অমমম মায়থীবা অমসুং দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট ১০ ফংলগা গ্রুপকী লুচিংবা ওইখি। রেদ বুল সালবর্গকী টিম পোইন্ট ৭ ফংলগা ৩শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙরাংগী মেচ অদুদা রেদ বুল সালবর্গকী টিম য়াম্না কন্না লম্বা পীদুনা ইংলেন্দগী লিবরপুলবু থোইনবা হোৎনরকখি। অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ পাঞ্জল লৈনখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১২চঙশিল্লকপদা ঙাইরিঙৈদা লিবরপুলগী কৈতানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাংজিল থাখি। মহাক্কী মতুং ইকান কান্নদনা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় ইজিপ মচা মহমদ সালানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ওষ্ট্রিয়াগী রেদ বুল সালবর্গপু ২-০দা মাংজিল থাখি।

মখা তারকপা মেচ অদুগী লেমহৌবা পুংখাই হেনবা মতম অদুদা ওষ্ট্রিয়াগী ক্লব রেদ বুল সালবর্গ পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেচ অমদা ইটালিগী ক্লব নাপোলিনা বেলজিয়মগী গেঙ্ক এফ সিবু ৪-০দা থোইখি। মেচ অদুদা নাপোলিগী মায়কৈদগী মিলিক্না মেচকী ৩শুবা, ২৬শুবা অমসুং ৩৮ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমা চনখিবা অদুনা হেদট্রিক ফংখি। টিম অদুগী শান্নরোয় মার্টেন্সনা অনীশুবা হাফতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা গ্রুপ অদুদগী অনীশুবা পোজিসন তারগা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙরাং গ্রুপ ‘এফ’কী মেচ অমদা স্পেনগী মকোক থোংবা টিম অমা ওইরিবা বর্সেলোনানা ইটালিগী ক্লব ইন্টরমিলানবু ২-১দা থোইরগা গ্রুপকী মকোক ওইরগা প্রি ক্বার্টর য়ৌখি।

মেচ অদুগী হৌরকপা ২৩শুবা মিনটতা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী পেরেজনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মহাক্কী মতুং ইন্টর মিলানগী মায়কৈদগী অকনবা মশান্না উৎলক্তুনা টিম অদুগী শান্নরোয় লুকাকুনা ৪৪ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম পাঞ্জল লৈখিদ্রবসু শান্নবা লোইগদবা মিনট ৪ ৱাৎলিঙৈদা বর্সেলোনাগী ফতিনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ২-১দা মায় পাকখি। গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা জর্মনিগী বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা জেক রিপব্লিক্কী স্লাভিয়া প্রাগপু পাঞ্জল ২-১দা থোইরগা প্রি ক্বার্টর য়ৌবা ঙমখি।

গ্রুপ ‘জি’গী ঙরাং শান্নখিবা মেচ অমদা পোর্টুগালগী ক্লব বেনফিকানা রসিয়াগী ক্লব জেনিত সেন্ট পিটর্সবর্গপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা গ্রুপ অসিগী মেচ অমদা ফ্রান্সকী লিওন ফুটবোল ক্লব অমদি জর্মনিগী আর বি লেপজিক পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখিবদগী লেপজিক লিওন অমসুং বেনফিকা প্রি ক্বার্টর য়ৌখি।

গ্রুপ ‘ঐচ’তা স্পেনগী ভেলেন্সিয়া অমসুং ইংলেন্দগী চেলসি ফুটবোল ক্লব মখোয় মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর য়ৌখি।